# বাইদেননা প্রসিদেন্ট ওইরকপদগী অহানবা ওইনা য়ু এস অমসুং চাইনাগী টোপ দিপ্লোমেটশিং হকথেংননা ৱারী শানরগনি



ৱাশিংটন, মার্চ ১১ (এজেন্সী): য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোর্নি ব্লিঙ্কননা থা অসিগী ১৮দা অলস্কাদা চাইনাগী টোপ ওফিসলশিংগা উনরগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখ্রে।

মীটিং অদু বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা মুক্করিবা লৈবাক অনীগী টোপ ওফিসলশিংগী মরক্তা পাঙথোকপা অহানবনি। ব্লিঙ্কননা মপান্দা চৎপা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎতা য়ু এসকী মরু ওইবা মীচঙশিং ওইরিবা জপান অমসুং সাওথ কোরিয়াদা চৎলুরবা মতুংদা মীটিং অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি।

চাইনাগী টোপ দিপ্লোমেট য়াং জিয়েচি অমসুং ষ্টেট কাওন্সিলর ৱাং য়িগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা মীটিং অদুদা য়ু এস নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর জেক সুলিভানাসু শরুক য়াগনি হায়না হ্বাইট হাওসকী প্রেস সেক্রেটরি জেন পসাকিনা ফোঙদোকখি। পসাকীগী মতুং ইন্না য়ু এসনা চাইনাগা মরী শাগৎপগী থবক অসি লৈবাক অসিগী পার্টনরশিংদা চেকশিন্না তানরগা পাঙথোক্কনি। ন্যুজ ব্রীফিং অমদা পলকিনা হায়, এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা অহানবা ওইনা চাইনীজ ওফিসলশিংগা ৱারী শানগদৌরিবসি অমেরিকাগী লৈমাইদা পাঙথোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। লোয়ননা মীফম অসি ঐখোয়না এসিয়া অমসুং য়ুরোপ অনীমক্কী পার্টনরশিং অমসুং মীচঙশিংগা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মীফম অসিনা য়ানদ্রিবা ৱাফমশিং য়াওনা মখল মখা কয়াগী ইস্যুশিং য়েংশিনমিন্নবগী খুদোংচাবা অমা ওইরগনি।

ৱারী শানগদৌরিবদুগী মতাংদা কম্মেন্ট পীরদুনা চাইনীজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন জাও লিজিয়ননা হায়, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মহৌশাগী অফবা মরীদা শোয়দনা হল্লক্কনি হায়না চাইনানা থাজে। য়ু এসনা কোল্ড ৱারগী ৱাখল্লোন থাদোকপগা লোয়ননা চাইনাগী সোভরেন্টি, সিক্যুরিটি অমসুং ইন্টরেষ্টশিং ইকায় খুম্নগদবনি।

জাওনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চাইনাগী মনুংগী এফেয়র্সতা খূৎ থিংজিনবা লেপ্পবা অমসুং লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা ৱাফমশিং মেনেজ তৌনবা আপীল তৌখি। প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী এদমিনিষ্ট্রেসননা চাইনাগা মরী লৈনবা য়ু এস পোলিসিশিংগী মচাকশিং রিভিয়ু তৌরকপগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী টোপ দিপ্লোমেটশিংগী মীফম পাঙথোক্কদৌরিবনি। মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ইকনোমি অনীগী মরী দোনাল্ড ট্রম্পনা প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদগী খ্বাইদগী হেন্না শোকচিনখি।

বাইদেন অমসুং চাইনাগী মহাক্কী লেংমান্নবা সি জিনপিংনা মমাঙ থাদা অহানবা ওইনা ফোনদা ৱারী শানখি। ৱারী শানবদুদা ইস্যু অয়াম্বদা নাকল অনীগী মীৎয়েং অমগা অমগা খেন্নখি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী ফোরেন এফেয়র্স কম্মিটিগী মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা ব্লিঙ্কননা মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদু মমাঙগী য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসনশিংগী মখাদা রেগ্যুলর ওইনা চৎথখিবা সিনিয়র লেভেল দাইলোগ মখা চৎথরকপগী মওংদি নত্তে হায়খি। করিগুম্বা চাইনানা সিঞ্জিয়াং রিজনদা লৈরিবা উইঘুর মুসলিমশিংগী হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবা লৈতে হায়বা তারবদি মালেমবু মফম অদুদা চঙবা য়াহনগদবনি হায়নসু ব্লিঙ্ককননা ফোঙদোকখি।

# এন্টি-কূ প্রোটেষ্টর ৮ হাৎখ্রে, সু চিবু শেল চাবগী মরাল শীখ্রে

য়াঙ্গোন, মার্চ ১১ (এজেন্সী): মিলিটরি কূগী মায়োক্তা চৎথরিবা প্রোটেষ্টশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইনৌ নৌনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই নিপাল শিখিবগা লোয়ননা ম্যান্মারগী মিলিটরি গভর্ণমেন্টনা ইলেক্টেদ লীদর ওং সান সু চিবু লোনা য়াদবা মওংদা শেনফম কয়া লৌখি হায়না মরাল শীখ্রে। রাইটস গ্রুপ এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলনা মিলিটরিবু দেমোন্সট্রেটরশিংগী মায়োক্তা লানগী মতমগা মান্নবা থৌওংশিং চৎথবগী মরাল শীখি।

সেন্ট্রেল টাওন ময়াইংদা পাঙথোক্লিবা প্রোটেষ্ট অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপশিনবদা মীওই তরুক্কী পুন্সি লোমখ্রে হায়না দেমোন্সট্রেসন অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

মীওই অসিনা অশিবা হকচাংশিং অদু হোস্পিটালদা পুবদা মতেং পাংখি। হেল্থ ৱর্কর অমনা মীওই তরুক শিখি হায়বসি কনফর্ম তৌখি। মশাগী চহী ৩১ শুরবা নুপা অসিনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবদা, প্রোটেষ্ট অদু ঈংনা-চিক্না পাঙথোকখি। মখোয়না নোংমৈ কাপশিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈখিদে।

দোমেষ্টিক মিদিয়াগী মতুং ইন্না, লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি য়াঙ্গোনগী নোর্থ দাগোন দিষ্ট্রিক্টতা মীওই অমা শিখি। ফেসবূকতা থাগৎপা ফোটোশিংদা নুপা অমা লম্বীদা মমায় উপশিল্লগা তাবা উখি। মান্দলেদসু মীওই অমা শিখি।

শগোলশেন নুমিৎকী প্রোটেষ্টশিংদা মীওই নিপাল শিদ্রিঙৈগী মমাঙদা এসিষ্টেন্স এসোসিএসন ফোর পোলিটিকেল প্রিজন কৌবা এদভোকেসি গ্রুপ অমনা ফেব্রুৱারি ১দা মিলিটরিনা কূ তৌখিবদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা প্রোটেষ্টর ৬০ হেন্না হাৎখ্রে অমসুং মীওই ২,০০০ হেন্না ফাজিনখ্রে হায়খ্রবনি।

এমনেষ্টি ইন্টরনেশনেললনা আর্মিবু প্রোটেষ্টরশিংগী মায়োক্তা শিগদবা ফোর্স শীজিন্নে হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা মীওই কয়া'মা লোনা য়াদবা মওংদা হাৎখি হায়খি।

অসিগুম্বা মীহাৎশিং অসি ইনিদভিদ্যুএল ওফিসরশিংগী ৱারেপ্পা চৎথখিবা নত্তে। কমান্দরশিংগী ওর্দরদা পাঙথোকখিবা মীহাৎশিংনি। মখোয় মমাঙদসু মীওই খুন্নাইগী মায়োক্তা ক্রাইম কয়া তৌবা, মথোং মরম খঙদনা ট্রুপ দিপ্লোয় তৌশিনবা অমসুং ইফোঙ ফোঙনা ক্রাইম তৌবগী মরাল শ্রীখ্রবশিংনি হায়না গ্রুপ অসিগী ক্রাইসিস রেসপোন্সকী দিরেক্টর জোনি মরিনরনা ফোঙদোকখি।

মখা তানা ম্যান্মার জুন্টানা ফোঙদোকখিবদা, ওং সান সু চিনা লোনা য়াদবা মওংদা শেনফম কয়া লৌখি হায়বা মশা য়াখ্রে। লোয়ননা প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ৱিন মিন্ট অমদি কেবিনেট মিনিষ্টর কয়াসু শেঙ্গা-থুমজাদা চেন্নে হায়না জুন্টানা ফোঙদোরক্লি।

# য়ু এসনা ম্যান্মারগী মিলিটরি লীদরগী মচা অনী শেল থুমগী অথিংবশিং থমখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ১১ (এজেন্সী): ম্যান্মারগী মিলিটরি লীদর মিন ওং লাইংগী মচা অনীগী মায়োক্তা য়ু এসকী ট্রেজরি দিপার্টমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শেল-থুমগী অথিংবশিং লাউথোকখ্রে।

ট্রেজরি দিপার্টমেন্টনা লাইংগী মরী-মতা অনীদুগা থবক তৌমিন্নবা মীওই তরুক্তসু অথিংবশিং অদু থমখি।

ট্রেজরিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, কমান্দর ইন-চীফ ওফ দিফেন্স সর্ভিসেস সিনিয়র জেনরেল মিন ওং লাইংগী মচা অনী অদু মখল মখা কয়াগী বিজনেস হোল্ডিংশিং পায়বা ঙাক্তনি। মখোয়না মপাগী পোজিসনদগী কান্নবা হকথেংননা লৌখি অমসুং অতৈগী থবকশিংদা অকায়বা পীখি।

য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ কম্মর্সনা হৌখিবা চয়োলদা ম্যান্মারগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স অমসুং কম্মর্সিএল এন্টিটি অনী ব্লেক লিষ্ট তৌখি। দিপার্টমেন্ট অসিনা ম্যান্মারগী মায়োক্তা অথিংবা হেন্না থম্বা এক্সপোর্ট কন্ট্রোলগী থৌরাংশিংসু লাউথোকখি।

মিন ওং লাইং অমসুং ম্যান্মারগী মিলিটরি নৎত্রগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা মরী লৈনবা এন্টিটি কয়া য়াওনা ম্যান্মার মিলিটরিগী লীদর কয়া হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ব্লেকলিষ্ট তৌবা য়াবশিংগী লিষ্ট হাপচিনখি।

মিলিটরিনা ফেব্রুৱারী ১দা প্রসিদেন্ট য়ু ৱিন মিন্ট অমসুং ষ্টেট কাওন্সেলর ওং সান সু চিবু নেসনল লীগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি)গী অতৈ ওফিসল কয়াগা লোয়ননা দিটেন তৌখিবা মতুংদা ম্যান্মারদা চহী অমগী ইমর্জেন্সি লাউথোকখি।

পার্লিয়ামেন্টকী হাওস অনীমক্তা এন এল দিনা সিট অয়াম্বা ফংখিবা কুমজা ২০২০গী নভেম্বরদা পাঙথোকখিবা লৈবাক অদুগী মীখলদা নমথাক্কী থৌওংশিং পাক-শন্না চৎখি হায়না মিলিটরিনা মরাল শীখিবনি। ম্যান্মারগী য়ুনিয়ন ইলেক্সন কম্মিসননা মিলিটরিগী ৱাফম অসি য়াখিদে।

# স্কুল তল্লিবা অঙাংশিং পুবা বস লোকচপতা তাশিনবদা ২৭ শিরে

জকার্টা, মার্চ ১১ (এজেন্সী): ইন্দোনেসিয়াগী জভা ঈথৎতা য়ুমশকৈশাগী নুমিদাংদা এক্সকর্সন চৎলুরগা হল্লকপা স্কুল মহৈরোয় অঙাংশিং অমসুং মখোয়গী মমা-মপা খরা তোংবা বস অমা লোকচপ অমদা তাশিনখিবদা মীওই ২৭ শিখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেন নুমিত্তা সার্চ এন্দ রেস্ক্যু এজেন্সীনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ৱেষ্ট জভা প্রোভিন্সকী সুমেদাং সিটিগা নক্লনা লৈবা মফম অমদা থোকখিবা থৌদোক অদু বস অদুগী দ্রাইভরনা গাড়ী কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবদগীনি।

ট্রান্সপোর্টেসন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, বস অদু জুনিয়র হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিং অমসুং মখোয়গী মমা-মপা খরা তোংখি। এক্সিদেন্ট অদুদা মীওই ৩৯ হিংহৌখি। থৌদোক থোকফমদুগী ফোটোশিংদা বস অদু চেপ্পগা লৈবা অমসুং রেস্ক্যু ৱর্করশিংনা ভিক্টিমশিং থিবগী শক্তম উখি।

লোকেল সার্চ এন্দ রেস্ক্যু এজেন্সীগী সুপ্রিওনো কৌবা ওফিসল অমনা ভিক্টিমশিং লৌখৎপগী থবক লোইরে অমসুং থৌদোক অদুদা হিংহৌবশিং মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখ্রে হায়রি। এক্সিদেন্ট অদুগী চপ চাবা মরম খূদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে হায়রি।

# মীওই ৪৭ চেন্নবা কেসতা এক্টিভিষ্ট ১ বেল পীখ্রে

হোং কোং, মার্চ ১১ (এজেন্সী): হোং কোংগী হায় কোর্টনা শগোলশেন নুমিত্তা গভর্ণমেন্টকী থবক থৌরমশিং মায় পাকহন্দনবা লৌতুনবগী মরাল শীরবা এক্টিভিষ্ট অমা বেলদা থাদোকখ্রে, তৌইগুম্বসুং অতোপ্পা এক্টিভিষ্ট অমনা মখা তানা রিমান্দ পীখ্রে।

সিটি অসিদা চৎনহল্লিবা অনৌবা নেসনল সিক্যুরিটি লোগী মখাদা ৱায়েল চৎথরিবা কূপশেন শেন্নরিবা কেস অমদা কোর্টনা এক্টিভিষ্ট অমা বেল পীরগা অমবুনা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ পীখিবনি।

লাৱর কোর্টনা এক্টিভিষ্টশিংদা বেল পীনবা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মায়োক্তা প্রোসিক্যুটরশিংনা তৌখিবা আপীল অমদা হায় কোর্টনা রুলিং অসি পীখিবনি।

কুমজা ২০২০দা হোং কোংদা নেসনল সিক্যুরিটি লো চৎনহনখিবদগী হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিদা ওপোজিসনগী মফম লৈরক্তবগী মতাংদা নুংনাংনবা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা চৎথরিবা ত্রাইএল অদু ফোরেন দিপ্লোমেটশিং অমসুং রাইটস গ্রুপশিংনা কূপ্না য়েংশিল্লিবনি।

বৈজিংনা ড্রাফ্ট তৌখিবা সিক্যুরিটি লো অদু গ্লোবেল ফাইনান্সিএল হব অসিগী হান্নদগী চৎনরকপা লোশিংদা কদায় ফাওবা চানদে হায়বসি কেস অসিদগী খঙবা ঙমগনি হায়না থানরি। অনৌবা সিক্যুরিটি লোগী মখাদা এক্টিভিষ্টশিং ৱায়েল হৌদ্রিফাওবা থা কয়া জেলদা থমখি।

মমাঙদা চৎনরম্বগা তায়োন্নরিবদি অনৌবা সিক্যুরিটি লোগী মতুং ইন্না দিফেন্দেন্টশিং বেলদা থাদোকপা তারবদি মখোয় সিক্যুরিটি থ্রেট ওইরোই হায়বসি মখোয়না প্রুভ তৌজগদবনি।

থংনা-থংননা নুমিৎ মরিনি চুপ্না ওপোজিসনগী মরু ওইবা মীশক ৪৭ হিয়াংরিং তৌরকখিবা মতুং মমাঙ চয়োলদা লাৱর কোর্ট অমনা এক্টিভিষ্ট ১৫ বেল পীখিবনি। নুমিৎ মঙানি চুপ্না নুমিদাং অথেংবা ফাওবা হিয়ারিং চৎথখিবা অদুদা দিফেন্দেন্ট খরদি মশা নারকপদগী হোস্পিটলাইজ তৌখি।

অদুম ওইনমক, প্রোজিক্যুটরশিংনা বেলগী ৱারেপশিং অদুগী মায়োক্তা অপীল তৌবদগী এক্টিভিষ্টশিং অদু খূদক্তা থাদোকপা য়াহনখিদে।

# সাওথ কোরিয়াদা য়ু এস লান্মী ৮, মীচম ১ কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

সিওল, মার্চ ১১ (এজেন্সী): সাওথ কোরিয়াদা অহেনবা য়ু এস লান্মী নিপাল অমসুং মীচম অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না য়ু এস ফোর্সেস কোরিয়া (য়ু এস এফ কে)না শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস এফ কেনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ফেব্রুৱারী ২২ অমসুং মার্চ ৮গী মরক্তা সাওথ কোরিয়াদা থুংলবা মতুংদা য়ু এস এফ কেগী মীওই মরী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বসি কনফর্ম তৌখি।

সর্ভিস মেম্বর মরিদু ফেব্রুৱারী ২২, ২৪ অমসুং মার্চ ৮দা য়ু এস গভর্ণমেন্টকী চার্টর্দ ফ্লাইটশিংদা য়ু এসতগী পাইরক্লগা ওসান এয়র বেজদা থুংখি। ওসান এয়র বেজ অসি কেপিটেল সিওলগী খারোমদা কিলোমিটর ৭০ রোম লাপ্পা পিওংটেকতা লৈ।

ফেব্রুৱারী ২৩ অমসুং মার্চ ৪ অমসুং ৫দা ইন্টরনেসনল কম্মর্সিএল ফ্লাইটশিংদা সর্ভিস মেম্বর মরি অমসুং কন্ট্রেক্টর অমা সিওলগী নোংচুপলোমদা লৈবা ইঞ্চিওন ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংখি।

# স্কুল তল্লিবা অঙাংশিং পুবা বস অমা লোকচপতা তাশিনবদা মীওই ২৭ শিরে

জকার্টা, মার্চ ১১ (এজেন্সী): ইন্দোনেসিয়াগী সভা ঈথৎতা য়ুমশকৈশাগী নুমিদাংদা এক্সকর্সন চৎলুরগা হল্লকপা স্কুল মহৈরোয় অঙাংশিং অমসুং মখোয়গী মমা-মপা খরা তোংবা বস অমা লোকচপ অমদা তাশিনখিবদা মীওই ২৭ শিখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।



শগোলশেন নুমিত্তা সার্চ এন্দ রেস্ক্যু এজেন্সীনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ৱেষ্ট সভা প্রোভিন্সকী সুমেদাং সিটিগা নক্লনা লৈবা মফম অমদা থোকখিবা থৌদোক অদু বস অদুগী দ্রাইভরনা গাড়ী কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবদগীনি।

ট্রান্সপোর্টেসন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, বস অদু জুনিয়র হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিং অমসুং মখোয়গী মমা-মপা খরা তোংখি। এক্সিদেন্ট অদুদা মীওই ৩৯ হিংহৌখি। থৌদোক থোকপমদুগী ফোটোশিংদা বস অদু চেপ্পগা লৈবা অমসুং রেস্ক্যু ৱর্করশিংনা ভিক্টিমশিং থিবগী শক্তম উখি।

লোকেল সার্চ এন্দ রেস্ক্যু এজেন্সীগী সুপ্রিওনো কৌবা ওফিসল অমনা ভিক্টিমশিং লৌখৎপগী থবক লোইরে অমসুং থৌদোক অদুদা হিংহৌবশিং মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখ্রে হায়রি। এক্সিদেন্ট অদুগী চপ চাবা মরম খূদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে হায়রি।

# ন্যুক্লিয়র দীলদা হল্লকপদা য়ু এসনা অহানবা খোঙথাং লৌখৎনবা ইরাননা হায়খ্রে

টেহরান, মার্চ ১১ (এজেন্সী): ওফিসল ওইনা জোইন্ট কমপ্রিহেন্সিভ প্লান ওফ এক্সন (জে সী পি ও এ) হায়না খঙনবা কুমজা ২০১৫গী ন্যুক্লিয়র দীলদা হল্লকপগী মতাংদা য়ু এসনা অহানবা খোঙথাং লৌখৎকদবনি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহম্মদ জভদ জরিফনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসনা মরন্নাই ৱারেপকী মতুং ইন্না, জে সী পি ও এ থাদোকখিবনি। অদুনা দীল অদুদা অমুক হল্লকপগী মতাংদা য়ু এসনা অহানবা খোঙথাং লৌখৎকদবনি হায়না জরিফনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অমেরিকানা হান্না প্রোব্লেম অসি সোল্ভ তৌগদবনি। মদুগী তুংদা সুপ্রিম লীদর অয়াতোলাহ অলি খোমেনৈনা হায়খিবগুম্না ইরাননা দীল অদু ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি।

ৱাশিংটননা কুমজা ২০১৮দা জে সী পি ও এ থাদোক্লগা ইরানগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থমজিনখিবদগী টেহরাননা দীল অদুদা পল্লিবা ইরাননা ঙাকফম থোকপশিং মথং মথং খোঙ্গাওনরকখি।

অদুম ওইনমক, প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা মমাঙদা য়ু এসনা ন্যুক্লিয়র দীলদা হল্লকপগী মতাংদা অহানবা খোঙথাং লৌখৎলোই হায়খ্রবনি।

# সাওথ অফ্রিকাদা মহৈরোয়শিংগী প্রোটেষ্টতা মীওই অমা শিরে

জোহান্নসবর্গ, মার্চ ১১ (এজেন্সী): জোহান্নসবর্গ সিটিগী ময়ায় থংবা সর্ব্ব ব্রামদোষ্টাইনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱিটৱাটর্সরান্দ (ৱিটস)গী মেন কেম্পসতা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মহৈরোয়শিংনা চৎথখিবা প্রোটেষ্ট অমদা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা নুপা অমা লৈখিদ্রে।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, প্রোটেষ্টরশিং অমসুং লোকেল পুলিসকী মরক্তা খূৎ থোক্লখিবদা মীওই অদু শিখিবনি। তাঙ্কক অসিদা মীওই অদুনা শিখিবগী মরম কনফর্ম তৌবা ঙমদ্রি।

ঈরাং অদুদা মহৈরোয় রিপোর্টর অনী শোকখি অমসুং প্রোটেষ্টর অহুম ফারগা হিলভিয়ু পুলিস ষ্টেসনদা পুখি।

য়ুনিভর্সিটিদুদা হান্নদগী তল্লকপা মহৈরোয়শিং অনৌবা একাদেমি চহীদা মিং চনবা য়াহন্দবদগী চয়োল অসিদা প্রোটেষ্ট হৌখিবনি। মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, মীওই অদু প্রোটেষ্ট তৌরিবা মহৈরোয় কাঙবু অমদা পুলিসনা রব্বর বুল্লেটশিং কাপশিনবদা পানখিবনি। মহাক্না ক্লিনিক অমদগী থোক্লকপদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

মীওই অদুনা শিখিবগী মরম চপ চাবা খঙদোক্নবা থীজিল্লি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মিনিষ্টর ওফ হায়র এদ্যুকেসন ব্লেদ জিমান্দেনা নেসনল এসেমব্লিদা হায়খি।

# ইলেক্টরেল সিষ্টেমদা অহোংবা লাকহনবনা চাইনাদা থাজদবা হেনগৎহনগনি: য়ু কে

লণ্ডন, মার্চ ১১ (এজেন্সী): হোং কোংগী ইলেক্টরেল সিষ্টেমদা অহোংবা লাকহন্নবা খন্নরক্লিবা অসিনা মালেমনা চাইনাদা থল্লিবা থাজবগী চাং মখা তানা হন্থহনগনি হায়না বৃটিশ ফোরেন মিনিষ্টর দোমিনিক রাবনা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনাগী পার্লিয়ামেন্টনা শগোলশেন নুমিত্তা হোং কোংগী ইলেক্টরেল সিষ্টেমদা অহোংবা লাকহন্দগদবা ড্রাফ্ট দিসিজন অমা এপ্রুভ তৌখি। ড্রাফ্ট অদুগী পান্দমদি সিটি অসিগী ইন্সটিট্যুসনশিংদা দেমোক্রেটিক রিপ্রজেন্টেসন হন্থহনবা অমসুং সিটি অসিগী পোলিটিসিয়নশিংনা বৈজিংদা থাজবা থম্মী নৎত্রগা থমদে হায়বসি খঙনবগী মেকানিজম পুথোকপনি।

চাইনানা হান্না ৱাশকচখিবগী ওন্ন-তৈনবদা হোং কোংদা দেমোক্রেটিক দিবেটকী চৎনবী লৈহন্দনবা বৈজিংনা লৌখৎলকপা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাংনি হায়না রাবনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

মসিনা মালেমগী ওইবা রেস্পোন্সিবিলিটিশিং অমসুং লিগেল ওব্লিগেসনশিং ঙাক্কনি হায়বা চাইনাগী ৱাশক্তা মালেম্না থল্লিবা থাজবা হন্থহনগনি। ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিগী মেম্বর অমা ওইনা চাইনানা ৱাশক অদু ঙাক্কদবনি।

লণ্ডনদা লৈবা চাইনীজ এম্বেসিগী চার্জদি এফেয়র য়াং সিয়াওগুৱাংনা বি বি সীদা ফোঙদোকখিবদা, ইলেক্টরেল রিফোর্মশিং অদুগী পান্দমদি হোং কোংদা বুং কোইনা নুংঙাই য়াইফব্বগী ফিভম লৈহন্নবনি। দিমোক্রেসিগী দিফিনিসনগী মতাংদা বৃটেন অমসুং চাইনাগী মরক্তা খেন্নবা লৈ।

হোং কোংগী ট্রিটমেন্ট অমসুং অতৈ ইস্যুশিংগা মরী লৈননা চাইনীজ ইন্দিভিজ্যুএলশিংগী মায়োক্তা বৃটেননা অথিংবশিং থল্লকপা য়াবগী ফিভম লৈব্রা হায়না হংবদা রাবনা হায়, পান্থে খূদিংমক শীজিন্নদুনা অপাম্বশিংদা অকায়বা থোকহন্দনবা ঐখোয়না হোৎনগনি।

National Highways & Infrastructure Development Corporation Limited
(A Govt. of India Undertaking)
BUILDING INFRASTRUCTURE - BUILDING THE NATION

**National Highways& Infrastructure Development Corporation Limited**
Under the Ministry of Road Transport & Highways
Govt. of India
PROJECT MANAGEMENT UNIT (PMU) Ccpur, Manipur
Mini-Secretariat Building Complex, Block No. B-1, Tuibong, Churachandpur-795128, Manipur
Phone No. 03874-295155

Sealed bids are invited under Two Bid System i.e. Technical Bid and Financial Bid. NHIDCL requires accommodation on lease of minimum 2200 Sqft carpet area (approx) for office Staff of PMU office for a period of one years.

| Sl No. | Name of the work | Min. Carpet Area | Cost of Documents | EMD/Bid Security | Period of Contract |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Hiring of Accommodation for Office Staff of NHIDCL, PMU Churachandpur | 2200 Sqft | Rs. 1000/- | Nil | 01 year |

1. Last date for the receipt of complete tenders in the office of Dy. General Manager(Project), NHIDCL PMU-Ccpur, Mini-Secretariat Building Complex, Block No. B-1, Tuibong, Churachandpur-795128, Manipur, is 25.03.2021 upto 1500 Hours.
2. For more information please visit https://nhidcl.com/current-tenders/

BUILDING INFRASTRUCTURE, BUILDING THE NATION
HL-B/6846/12

SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
TOPPERS OF THE S.T.C IN HSLCE 2016 to 2020




ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE & REVISION COURSE 2021
FOR CLASS X & XII (BOSEM & COHSEM)
(SCIENCE,ARTS,COMMERCE)
COMMENCES ON 18th FEBRUARY & 8th MARCH 2021
SUBJECTS OFFERED :-
Mathematics,Physics,Chemistry,Biology,M/M, English,H/Maths,H/Science,C/Slence,Accountancy, Business Studies,Economics,History,Sociology, Geography ,Political Science & Education.
Run by trained board & council of experience teachers.
100% PASS
1. Speacial fee concession for former students.
2. Regular mock test with analysis.
3. Separate hostel for boys & girls.
4. Well structured study materials.
5. Available Van Service.
TEACHER WANTED
1. Accountancy.
2. Business Studies.
3. Education.
4. Economics Experience 5 years & above
CLASS TIMING (Morning & Evening)
Contact no: 8730999192
HL-P/8727/31/1-5/4 (alt)

S³ Coaching Centre
STEPS TO SURE SUCCESS
EDUCATION WITH CARE
Nagamapal RIMS Road Corner Near Traffic Island
ADMISSION IS GOING ON FOR
DON'T MISS
LAST MINUTE REVISION
Class X & XII - 50% Discount
SUBJECT
XII - Math, Chemistry, Physics & Biology
(one subject Free)
SUBJECT
X - Math, Science, Meitei Mayek & Social Science
(one subject FREE)
Day Boarding for NAVODAYA & SAINIK Entrance Coaching
NEET - 2021
REVISION FOR CHEMISTRY STARTING FROM 3RD MARCH
FOUNDATION COURSE
for class XII starting from March and IX, X - from 15th, 20th & 23rd Feb., 2021
50% DISCOUNT ON FIRST TWENTY STUDENTS
Class - Timing
Morning 6am - 9am
Evening 3pm - 7pm
HOME TUTORS AVAILABLE FOR CLASS VI To XII
Special Features:
* Regular test on every chapter
* Thorough analysis on previous year questions
* Perfect expected question suggestions
* Faculties are Perfect & Expert
* Van Service
* Individual attention
* Extra Class for Weak Students
Please Contact #9362333159 BETWEEN 7AM TO 6PM
HL-B/6801/20/2-21/3

IMPHAL SMART CITY LIMITED
CIN: U45309MN2016SGC013502
Directorate of MAHUD, PDA Complex, North AOC, Imphal-795001
E-mail: ceoimphalsmartcity@gmail.com Website: www.imphalsmartcitylimited.com

**Notice Inviting Tender**

NIT No. : 3/14/2020-ISCL Date : 11/03/2021

The **Imphal Smart City Limited (ISCL)** invites bids from prospective bidders for **"Design, Installation, Operation and Maintenance and Transfer of Public Bicycle Sharing System in Imphal under Imphal Smart City Mission"**. Brief detail of bidding activities is as below:

| Description | Details |
|---|---|
| Name of the Project | Design, Installation and Operation and Maintenance and Transfer of Public Bicycle Sharing System in Imphal under Imphal Smart City Mission |
| Availability of Bid document on the website | From 12-03-2021 |
| Last date for Bid Submission | 12-04-2021 at 3.00 PM |
| Opening of Technical Bid | 12-04-2021 at 3.30 PM at the office of the Imphal Smart City Ltd, Directorate of MAHUD, PDA Complex, North AOC, Imphal-795001 |

The detailed terms and conditions are given in the Request for Proposal (RFP), which can be downloaded from the website www.imphalsmartcitylimited.com and www.manipur.gov.in.

Sd/- Chief Executive Officer
Imphal Smart City Ltd
HL-B/6851/12